HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur




রিমসতা লায়েংলিবী চহী ৬ খক্তা ঙাইরিবী বেবি মথোই ঙাসেকপমদা খুদোল তন্থা ওইনা লাইভ সেভর্স মণিপুরনা লমদেং অপূনবা নহারোল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী আই আর সী এসকা খুৎশম্নদুনা ঈ পীখিবা


নুমিৎ তাপ্তবদি পাম্বীদগী পোৎ হেকপা তৌহেদে ! লামায় ২
লামায় ৪ ওহ! মতম অমগী শুমাং লীলাশিংদো নুংঙাইবনিদা
ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদম্বু শক্তাক্লিবী অইবী ইষ্টরিন ... লামায় ৫
লামায় ৬ মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিনদি ষ্টেট লৈঙাক্লা ...
আর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু প্রোজিক্যুট তৌনবা দেল্লিগী... লামায় ৯
লামায় ১২ রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি : ফাইনেলদা মণিপুর...


লম্কাংদোং কৈথেল দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, বিষ্ণুপুর বজার বোর্দ অমসুং বিষ্ণুপুর অপূনবা অকোয়বা লূপ (বাল) না খুৎশম্নদুনা বিষ্ণুপুর কৈথেলদা খুল ঙাকপা হাৎপা অমসুং ফাবা য়ারোই হায়দুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং




Vol. 48, Issue No. 259 | নোংমাইজিং, পোইনুগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, December 22, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা চৎনীংদ্রি, মণিপুরগী মীয়াম্নদি মহাকপু ঙাইহরি : জয়রাম রামেস

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস):**

মণিপুরদা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা তমথীরবা লান চথুরকপদগী মসিবু খামদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবগীদমক মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিং, সী এস ওশিং অমসুং মীয়াম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনা লাকখিবগী মথক্তা মিজোরাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, টামিল নাদু অমদি কেরলানচিংবগী লুচিংবশিংনসু মণিপুরগী থা ২০ শুরক্লবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা চৎকদবনি হায়বগী ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরদি মণিপুরদা চৎনীংদ্রি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম এক্সতা ফোঙদোরকখ্রে।



এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (ইন-চার্জ কম্যুনিকেশন্স) সু ওইরিবা লুচিংবা অসিনা ৱাফম অসি মমাঙ থাগী ২৫দগী হৌরক্লগা ঙরাং ফাওবা চথুখিবা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী নীংথম মীফম মনুংদা ফাওবা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এম পিশিংনা সভা অনীমক্তা মণিপুরগী ৱাফম খন্নগদবনি হায়দুনা এদজোর্নমেন্ট মোশননচিংবা পুখৎতুনা তকশিল্লকখিবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মশামক মণিপুরদা চৎতুনা ষ্টেট অসিগী ঈরাং লোইশিনগদবনি হায়বগী অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখ্রবসু ঙরাং সভা অনীমক্কী মীফম লোইশিনখিবগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মীপূম খুদিংমক্লা ‘য়ুনাইটেদ মণিপুর’ ওইহন্নবগীদমক হোৎনগদবনি : কোটিশ্বর

## সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা শরুক য়াদুনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস):**

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না শীন্দুনা ঙসি নুংথিল লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সকী এ দি আর সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা মণিপুরদগী অহানবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জজ ওইরিবা জষ্টিস নোংমৈকাপম কোটিশ্বরনা শরুক য়াদুনা ইন্টরেক্সন কম লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।



থৌরম অসিদা জষ্টিস এন কোটিশ্বরগী লোয়নবী প্রোফেসর বিজয়ালক্সমি ব্রারা, মসলসাগী এগজিক্যুটিভ চেয়রমেনসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এ বিমোল, কোর্ট অসিগী জষ্টিসশিং এ গুনেশ্বর, গাইফুলশিল্লু কবুই অমদি মণিপুর জুদিসল একাদেমিগী দিরেক্টর জষ্টিস কে ঐচ নোবিননা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা হায় কোর্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর ষ্টেট ১সুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা থা অহুমগী মনুংদা ৱেটলেন্দশিং ইন্সপেক্সন তৌবা লোইশিনগদবনি

**ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) :**

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮দা মখোয়-মখোয়গী লমদা লৈবা ৱেটলেন্দশিংবু ইন্সপেক্সন তৌবগী থবক থা ৩গী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন অসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস সুধানসু ধুলিয়া অমসুং অসানউদ্দিন অমাননুল্লা অনীগী বেঞ্চনা পীখিবনি। বেঞ্চ অসিনা পীখিবা দিরেক্সনগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা স্পেস এপ্লিকেশন সেন্টর এটলাস (এস এ সী এটলাস) না আইদেন্টিফাই তৌরবা ৱেটলেন্দশিংগী মপূং ফাবা ইন্সপেক্সন থা ৩গী মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## কুকি টেররিষ্টশিংনা কাংচুপ চীংখোঙদা লান কাইহৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লমশাং পি এসনা কোল্লিবা কাংচুপ চীংখোঙদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং তম্না চীংলোম থংবা মায়কৈদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা থেঙ্খাং অনীরক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা কাইহৌরকপদগী খুল ঙাকপশিংনসু হন্দুনা কাপখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা অহানবা ওইনা কুকি টেররিষ্টশিংনা কাংচুপ চীংলোমদগী নোংমৈ রাউন্দ তরারোম কাপশিল্লকখিবনি। নোংমৈ মরূশিং অসি কাপথরকপদগী মীতৈগী খুল ঙাক্লিবশিংনসু নোংমৈ কাপশিল্লকফম তম্না হন্দুনা নোংমৈ মরূ খরা কাপখি। খুল ঙাকপশিংনা খূৎ হল্লুবদগী ঙাইহাক নোংমৈ কাপথরকপা লেপখ্রবা মতুং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা অমুক হন্না নোংমৈ মরূ ১৫ রোম কাপথরকখিবনি হায়রি। অনীরকশুবা এটেক অসিদসু খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগী খূৎ হনখি। অদুবু থৌদোক থোকফমদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং চঙশিল্লকপদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মখা তানা নোংমৈ কাপথরকখিদে হায়রি। নাকল অনীগী মরক্তা য়াম্না কুইনা খূৎ থোক্লবা থৌদোক ওইখিদবনা অশোক অপন য়াওবগী পাউ ফংখিদে। ঙরাং নুমিদাংসু তাইরেনপোকপী মনীংদা লৈবা বোলজাং অমদি য়াংনোম্ফাই রোমদগী নোংমৈ মরূ খরা কাপ্লকপা লৈখি হায়রি।

## খুল ঙাকপা হাৎপা-ফাবা য়ানীংদে হায়দুনা মফম ২দা খোঙজং চঙশিনখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা শলুংফমদা থা অসিগী ১৪দা মণিপুর পুলিস অমদি কম্মান্দোগী অপূনবা খূৎপু অমগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা খুল ঙাকপা অমা লৈখিদবা অদুগা তরুক্লা খূৎলায়গা কোন্ননা ফাজিনখিবা থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা বেঙ্গি মৈরা পায়বীশিংনা শিন্দুনা ঙসি বেঙ্গি প্লেগ্রাউন্দদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই, ঐখোয়বু খুল ঙাকপশিংনা ঙাকপীবনি, ঈ মশেল হাৎনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সোরা তেরাহৌবী গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুলদা ওজা অমত্তা লৈরমদ্রে


**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :** য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমদা সোরা তেরাহৌবী গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুলদা ওজা অমত্তা লৈরমদবা থেংনরে হায়না ওল মণিপুর মুসলিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন (অম্মোসো) গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, স্কুল অসিদা ওজা ২ খক লৈবদা মখোয় অনীমক অতোপ্পা স্কুলশিংদা য়ুটিলাইজ তৌখিবনা স্কুল অসিগী ওজা লৈতবদগী স্কুল অসি কাং-থোং চইহরে ১সুং অৱাৎপনা পীক থল্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্লা কন্সটিট্যুশনগী প্রোভিজনশিং লোইনা খোঙ্গাওনরে, নীংথম মীফম ফমদ্রে : ইবোবী

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক্লা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা পীবা প্রোভিজনশিং অমদি আর্টিকেল পুম্নমক লোইনা খোঙ্গাওনরে অমসুং দেমোক্রেসিগী ইন্সটিট্যুশনশিং মথৌ তৌহন্দ্রে হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লীদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা কন্সটিট্যুশননা ষ্টেট অমনা তৌফম থোকপা মথৌ ময়াম অদু ষ্টেটসিদদি ইল্লগা অমত্তা চৎত্রে, তৌনীং তৌনীংবদা তৌদুনা লৈরে। কন্সটিট্যুশন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল ১৭৪ অমদি কন্সটিট্যুশন অসিগী মখাদা শেম্লিবা রোলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেশগী রুল-১৭-এগী মতুংইন্না চহী অমদা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীফম য়ামদ্রবদা অহুল্লক ফমগদবনি হায়রি। অদুবু মণিপুরদদি মসি পুম্নমক খোঙ্গাওনরগা চহী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জিরিবামগী মীহাৎ

## আর পি আইনা ৱাকৎপদগী এন সী দব্লিয়ুনা মণিপুর লৈঙাক্তা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ১১গী নুংথিলদা কুকি-মার টেররিষ্টশিংনা জিরিবামগী ছোটোবেক্রা পি এসনা কোনবা জকুরাধোরদগী পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ পুন্না মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা মীনুংশি য়াওদনা তমথীবা মওংদা হাৎতোকখিবা থৌদোক্কী মায়োক্তা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (আর পি আই-অথৱালে) গী মায়কৈদগী নেশনল কম্মিশন ফোর ৱিমেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ৱাকৎলুবদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা পুরক্লি

বিভাড় সে বিশ্বাস স্কিম ২০২৪

থুনা অমসুং মপূং ফানা দিসপ্যুটকী ৱারোইশিনগীদমক




কোনশিল্লিবা দিসপ্যুটশিং

দিসপ্যুট পুম্নমক (লৌথোকপা খরা নত্তনা), মখাদা পীরিবশিং অসিগা মরী লৈননা

- টেক্স
- পেনালটি
- ইন্টরেষ্ট
- ফী
- টি দি এস নৎত্রগা টি সী এস

ইলিজিবিলিটি

- ২২.০৭.২০২৪গী মমাঙ নৎত্রগা নুমিৎ অসিদা ফাইল তৌবা আপীল/রিট অমসুং ২২.০৭.২০২৪দা পেন্দিং লৈবা অসিগুম্বা আপীল/রিট
- দিসপ্যুট রেজল্যুশন পেনেল (দি আর পি) দা ওবজেক্সনশিং ফাইল তৌরকপা টেক্সপেয়র অমসুং ২২.০৭.২০২৪গী মমাঙ নৎত্রগা নুমিৎসিদা দি আর পিনা দিরেক্সন অমত্তা ইস্যু তৌদ্রিবশিং
- দি আর পিনা দিরেক্সনশিং ইস্যু তৌখ্রবা টেক্সপেয়রশিং অদুবু ২২.০৭.২০২৪ নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা এসেসশিং ওফিসরনা এসেসমেন্ট লোইশিন্দ্রিবশিং
- এক্ট অসিগী সেক্সন ২৬৪গী মখাদা রিভিজনগীদমক এপ্লিকেশন অমা ফাইল তৌখ্রবা টেক্সপেয়র অমসুং ২২.০৭.২০২৪দা অসিগুম্বা এপ্লিকেশন অসি পন্দুনা লৈরিবশিং

মরু ওইবা নুমিৎশিং

৩১.১২.২০২৪গী মমাঙ নৎত্রগা নুমিৎ অসিদা সেট্টলমেন্ট ওফ আপীলগীদমক শেল হন্থনা পীননবা স্কিম অসিগী মখাদা নহাক্কী দিক্লারেশন ফাইল তৌগদবনি। ০১.০১.২০২৫ নৎত্রগা মসিগী মতুংদা দিক্লারেশন ফাইল তৌরকপশিংগীদি সেট্টলমেন্টকী এমাউন্ট ৱাংখৎলক্কনি।

স্কিম অসিগী অহেনবা ইনফোর্মেশনগীদমক, দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌবা এফ এ ক্যুশিং য়েংউ
www.incometax.gov.in দা চঙদুনা

এফ এ ক্যুশিংগীদমক

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস

ৱেবসাইটগীদমক

CBC 15401/13/0011/2425

@IncomeTaxIndia @incometaxindia.official @IncomeTaxIndiaOfficial @incometaxindiaofficial @Income Tax India Official